*“অপাম নুংশি কৌবনা চাদা নাওদা মশেন্বী, নুংশি মাগী মহাকথক পুন্সি লোম্না ময়াওই; পুন্সি ঈরম য়াৎপদি নোংদমখোনবু মচঙই।”- হিজম গুন (তোনু লাইজিংলেম্বী শৈথারোল)*

# শৈরেং

## কুকি লান

**—নোংমাইথেম অবেমচা**

লাননা মী কয়া শিখ্রে মখোয়গীসু
মখোয়বু নুংশিবীবা কপ্পীনবা
কনাসু উদে লৈতে, চিন-কুকি
ম্যান্মারদগী চঙশিল্লকপা
মথোং মরম খঙদবনা মখোয়দি
ময়াই কাবা চিঞ্জাক খরা চারগা
পোপি থারগা পহিং হিংবা মীনি।
শিখ্রবা মখোয়বু লৈবাকসিগী
অথৌবগুম লৌরি উহল্লি,
লানবু হেন্না হেন্নদুম কনশিন্দুনা
নাতৈ চাদবা শা ঙাগুম
মকক-মকক কত্তুনা মী হাৎপা হালেংদ্রি।
থা অহুম খরা হেল্লবা
হৌজিক্তদা লৈবাকসিদা লৈমিন্নরম্বা
কুকি মীওই খরা শিবদগী
মীকপ মীরাওখোল তারি,
নখোয়সু ফংলিবনি কান্নরোই
চেঙ পুরগা চেঙ শীং, ফৌ পুরগা ফৌ শীং
হায়বা পাউরৌ অমা লৈবনি
খঙজিল্লু শৈদাংবশা।

## নুপা থোকউ ঐখোয়গী লৈঙাকপশিং

**—কোকিল মৈতৈ**

লৈরিবা লৈঙাক অসে
পাল্লিবা সরকার অসে
নুপা থোকউ কৈদৌবগে
মীকিথি ওইগনু কৈদৌবগে,
‘মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌরোনে’
মীয়ামগী খোল্লাউ তাবীয়ু!
মীয়ামগী ৱাকৎ তাবীয়ু
করিগী তূমিন্না লৈরিবা?
লোইলম লৈঙাক্কী য়াথং ইনবদা
মপুনা য়া-ন-বা চৎপদা
নরৈপাক কনগনি নীংশিংদ্রবরা?
নজাতি কনগনি কাউরব্রা?
কিসু কিমনখ্রে ওন্থোক্লা
পাংসু পাংমনখিদ্রে ওন্থোক্লা
তানা তানা তাশিন্নদবা তৌগনু
খঙনা খঙনা খঙশিন্নদবা তৌগনু।
‘থারিবা থৱায়শিং অসে ‘মৈতৈশিংনা’
এক্স গ্রেসিয়া ফংননবা
নত্তেনে শোক্লবা লান’
খূৎলায় পায়বা কুকিশিং
তকথোকপা ঙমদ্রবদি লৈঙাক্লা
মীয়ামদা শিন্নরো খূৎলায়শিং
ইশা ঙাকথোকচরগে ঐখোয়
মৈতৈ মীয়াম তুম্না হাৎখিদ্রিঙৈ কুকিশিংনা’

## সনা লৈবাক মণিপুর

**—ক্ষেত্রিময়ূম শান্তিবলা**

চায়োক নাওয়োক ফজবী
ইচা মীচা নাইদনা
নাওকোনবীরিবী ইমা
সনা লৈবাক মণিপুর।
পলেম পন্থৌ কায়নরবা
কৈনাও মচা খরা
পলেমগী খোল্লাং ইন্দুনা
নুংশিনা নাওকোনবীখিবদো।
কৈনাও শারেপ ফাখরে
শাথীবা কৈজাও ওনখরে
খোল্লাং লমন কাউখরে।
নুংশিবা মচিন মনাওশিংবু
য়েক্লবা ওইনা উরক্লে
শৈদাংবনি কাউখরে
হায়নবা লৈ কৈ মচা
চাওনবা য়োক্লগা মপু চাই।
নুংশিবী ইমাগী শক্তম্বু
শরাক তমগে খনখ্রবোই
মীপাই চাউবী ইমা মণিপুর
করিগী কপ্পি, কনাবু কিরিবা।
কৈজাও ময়াম লাক্লবসু
ঙল্লোইয়ে ইমা নঙগী
শক্তম থুগাইবদি
কাউরবরা ইমা।
নপারি শামু পাঙ্গনবা
মৈতৈ নোংশা অথৌবশিং
নঙগী ঙমখৈদা লেপ্তুনা
নঙগী শক্তম ঙাক্লিয়ে।
নুংশিবী ইমা মণিপুর
সনা লৈবাক মণিপুর।

## অহিং অমা

**—দিলিপ নোংমাইথেম**

থাঙ অদো,
ময়া থৌনা ফেংঙু।
অমুক অমুক্কী থাঙহাইদা,
কুকিগী মখৌরি তুপ্পনবা।
তা অদো,
মচিন য়াম্না তুমহল্লু।
অমুক্তং থিনবদা,
কুকিগী মবুক ফাওদোক্তুনা চৎখিনবা।
হু তৈশিল্লু,
অরাম্বাইগী মচিন্দু,
কুকি পূম্নমক,
ইমা মণিপুরগী মতম্বাক্তা;
অরোইবা শ্বর হোঞ্জনবা।

## ঐদি চৎলরোই

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

ঐদি চৎলরোই অমুক
হন্না খুঙ্গং অদুদা,
নুংশি খুঙ্গং অদো
অমুক হন্না নীংশিংলুবদা।
অদুবু ঐদি চৎলরোই
অমুক হন্না খুঙ্গংদুদা,
য়েংখি য়েংখিবদা
মীৎফম হোংবা য়াদ্রবা,
নীংশিংলুবদা অঙনবা
পুন্সিগী থৌদোক ৱাথোক কয়া
কাউবা খক লৈতে।
ঐদি চৎলরোই অমুক হন্না
খুঙ্গং’দুদা লোইখ্রে লোইখ্রে
করি অমুক হায়গনি
হায়নীংঙাই অমা অমুক লৈত্রে।
কৈরোয় লৈকায় মরূপ-মপাং
ঐগী মিং কনানসু খঙখিদ্রে,
কাউখ্রে পূম্নমক উৎ ওন্দুনা
মাঙ তাকখ্রে ঐগী খুঙ্গং অদো
ঐদি চৎলরোই খুঙ্গং
অদুদা অমুক হন্না।

## মন কি বাট

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

ইহান হানবা মক্তদা
ঐগী ৱাখলগী ঈপাক্তা
মোংলক্লিবা থম্মোয়গী ইহুলসে
কনাগুম্বা ফূরূপ কাঙলূপ
অমত্তগী মীচংদা নৎচদে
মায়োক্তা লেপচবসু ইতিক লৈজদে,
শুপ্নতগী পাউদমজবনি খনবীয়ু
ঐহাক্কীসু ‘মন কি বাট’।
হৌজ হৌজ খৎনরিঙৈ
পোত্থা পোত্থা চায়নরিঙৈ,
খঙনা খঙনা হৌখিবা
মতম মহাক্তি পাম্মুবা
থাবুম মরি ফাজিল্লক্লে;
কাঙলূপ মশেল উংখৎনবনা
করিবু কান্নবা পুরকখ্রবগে
অকি তুজুং নত্তনা।
ৱাংমা ৱাংমা অনীমক্তা
খাঙবা য়াবা খাঙনরে
ৱাবা য়াবা ৱানরে
করি নুংগী তৌজরুবনো
তকশি শোল্লক্লে হৌজিক্তি;
মালেম পূম্বগী মমাঙদসু
মণিপুর কৌবী ইমাসে
ইকায় ফিরুক খুমহনবীরে।
অশিবা মচা ঙাক্তনিনা
শোয়খিবা লানখিবা হৌনশানি
খোঙফম খরা খরা হন্দোক্লরসি
কাউথোকপসু তন্লসি কৈদৌবগে;
ঙাকপীবগী অথোইবা পাম্বৈনা
থম্মোয় খুদুম চল্লসি,
ঐখোয়না শ্বাইদা খৎনরিঙৈ
মীদি থা লৈবাক য়ৌনখ্রে।

## লোম্থোক্তবা নিংথৌ চিন্থীবা মথংখনবা

**—এল বীমোলচান্দ**

নঙগী মীচম মীয়াম অৱাফমদা তারে
নোংমৈ বোমগী শাফু ঙাকপা ৱারে
তেংবাংফম থোক্তব্রা মীয়ামগী মীহুৎশিং!
নখোয়সু য়াওনা য়েক্লবনা থমাইখ্রবরা?
শা-য়েন ফাওবা মচাশিংগীদমক মশোং ফল্লি
কদায়দা লোৎখ্রে মপী-মপা ওইবশিংগী লিংজেল
মনানা হৈমাং শাবশিংগী শরৈ লাংদা
লেং-ওৎপা ঙমদা পাঙ্গল হামচৎনরবরা?
ঙকপদৈ ঙক্লবা মোদি-অমিট পুংবানা
ফাগি তাহল্লি দেমোক্রেসিগী চৎনরোলশিং
অমুকসু করেম কথাইনরি মৈতৈ/মীতৈবু
অদুবু হন্দক্তি খঙজরল্লনি মৈতৈ/মীতৈগী থৌনা।
খূৎশেমগী নোংলৈ নুংশিৎনা ৱানরম্বশিং
ঈংথরক্লে-হিমায় চুম্নরক্লে তপথনরে
অচুম্বদা অরানবনা ইকায় ফিরুক্লরক্লে
হোয়দা মৈবু ফীনা কুপ্তুনা থম্বা য়াব্রদো।
খঙলসি-লৈঙাক নিংথৌদি মীনম্বা ঙাঙফদে
ওইজবা ফংনবা মীয়াম্বু ৱাহনফদে
পুন্সিগী নত্তে-চহী মঙাতগী নিংথৌনি
মীংচৎ তাল্লু-মীংচৎ থীহনগনু।

## লৈনম চাওবী

**—রাজকুমারি মীনা**

জীবশিংদু নাওকোনবীবদা,
মখোয়দুগী মতেং পাংবীবদা,
মরূকোক্লা খাঙজরকপদা,
ঙসি ফংলিবা মহয়সিগী,
শংবান্নরবা অতিয়াদা,
চেক্লা শঙ্গু শঙ্গু পাইরক্লিবসে
লমদম কৈদা পাংলিগবা?
ৱানা হিংলিবা চেক্লা নখোয়সু
পোনগী মল্লবা অক্লা নুংসিদা;
ঈরাং লমদম লমনুংসি থাদোক্তুনা
লানগী লানপাউ পুরদুনা
লৈখল শুনা শাৎলিবা লৈকোনসিদা
চুনা-চান্নদ্রবা খোঙচৎকী খোঙহাইদা
মংলানগী আশানা নমাংদা থল্লগা
শান্তিগী লমদম থিরক্লিবরা?
লৈনম চাওবী নঙগী নতিক নয়াইসে
ওন্থোক্লা কনখরে ঙসিদি।
ৱাংখরে নঙগী নগুন শক্তিসে;
পূম্নমক নঙনা লৈ-লৈদুনা পুখরে,
মেনশিনখরে মচিন নঙনা পূম্নমক্কী,
ফাজিনবীখ্রে মখোঙ মখূৎসু লেংঙমদনা।
পুনীংবা মায়কৈ কয়াদা পুখরে,
ঙমদবা লৈতরে নহাক্লা,
কোইপাই পাইদুনা পৃথি মালেমসিদা
য়ৌহনখ্রে মেৎ-মেত্তুনা পূম্নমক্তা
শক্তিনা থুমহৎলবা নখোয়গী নতৌদুনা।
ওইহল্লে শাদানবগী লাংদা থুরবা শজি
অদুবু চিংনরিবনি ঐগী থম্মোয়সিনদি
তশেংনা খঙলিবরা, উরিবরা নখোয়নবু
মসিমদি খঙখো, মসিমদি তাখো
তৌবা ঙম্বা শক্তিগী মতিক ময়াই মহাক্কী
মালেম পূম্বনা শক্ল-শোন্নদুনা লাক্লবা
কখোকপগী পেন্নাইবা লৈতবনি
থৱায় কয়া কয়ানা ঈগী বলিদান
শীংনরকপা কনাগী মায়োক্লবা লানফমদা।

**মতম মতমগী ৱাখল**

# সিবু হৌনরিব্রা ? করি তৌগদবনো খঙলক্ত্রে



রাজনিতিগী ৱাসিমা ঐঙোন্দা খরা য়েমৌনৈ। কনাগুম্বনা হংলকপদা ঐনা খঙদবা য়াম্না লৈরি। লৈবাক্কী ঈরাংসিমদি নুমিৎ খূদিংগী পাউ তাবনিনা খরা মখৈ অদুম খঙজে । লৈপাক্কী থোক্লিবা ঈরাংগী পাউ তারুরগা,ৱাখলসি কোইচেন চেল্লি। লানফম চীংখোংদা অমুক লৈরুই, য়ূমদা অমুক হঞ্জিল্লকই। হান্নগুম্না নোংমৈ কাপ্ন বগী লানগী পাউদি নেল্লি অদুগা লৌবুক্তা থবক শুজবশিংদা কুকিশিংনা চীংথক্তগী কাপথরক্তুনা খৎনবা কক কক হৌবগী পাউদি লেপত্রি। খৎনবা হৌবসিমদি পাক লেপকদবা মান্দ্রি। মী খরা উন্নৈ। ঐনসু চৎলগা উন্নজরুই, মরূপ মপাং খরনসু য়ূমদা লাকপী। ৱারী ৱাতায় ঙাইহাক শানৈ। ৱারীদি অতৈ শানদ্রে। ৱাফম ইমান মান্নৈ, হীরম ইতিন তিন্নৈ। ঐনা তাবা পাউগা মরুপ্পা তাবা পাউগা খেন্নবা থোইনা লৈতে। মণিপুরদা হৌজিক মতমসিদা শাওদবা মী লৈরমদে। মরুওইরিবা শাওফমদি হৌজিক্কী ওইনা লালহৌবা কুকিশিংদনি। মসিমদি চপ মান্নরে। মীয়াম্না হেন্না শাওনরিবশিংদি- ইকায়খুম্নরিবা ভারতকী প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর, মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর অমদি কুকিশিংগী মরক্তগী ভোট কারকখিবা এম এল এ, মন্ত্রি তরাদা য়াম্না শাওই। মী খরনা অমুক , মণিপুরগী লৈহৌরিবা এম এল এ নিফুদা শাওই। খরা অমনা মণিপুরগী বি জে পি পার্টিদা শাওই। শাওফমসি য়ামখ্রে। নুমিৎ চাম্মা (১০০) হেন্না তুংশিল্লগা শুংলকপা নোংনি। লান মরক অসিদা, মতাং ইচা চাদনা,ইলেক্সনগী আইডিয়া লৈতবা ঐনা ইথৌসু নত্তনা হন্দক লাক্লিবা ২০২৪গী এম পি খনবগী ইলেক্সন অসি মণিপুরদা করম তৌগদগে হায়না খল্লুবকাসু শারি। হৌজিক লৈরিবা ঈরাং অসিদদি মথংগী এম পি অসি অওনবা অমগা লাক্কদবা মাল্লি। মথংগী সরকার লৈঙাকসু অহোংবগা লাক্কদবা মাল্লি। মাল্লি হায়না খল্লুবগী ৱানি, ঐগুম্বনা রাজনিতিগী লালোংগী মরমদা ৱা ঙাঙবা ইতীক ওইদে। মণিপুরগী রাজনিতিগী মরমদা লাইবাও চেনবা, লাইফাও তৌবা য়ারোই। নোংবান্না মাইবী চঙবা তাগনি। মণিপুরগী রাজনিতি ময়াম্না খঙনরে, ভোটনা ভোটনি। ভোট ময়াগী মচু,মীয়ামগী ৱাখলনা তোঙাল্লি। ভোটকী ফিরাল মচু হোংলগসু মীদি অমত্তনি। ফুরিৎ ফিরোল হোংবতনি। লমদমসিগী মীওইশিং শিংলগে হায়রগদি ফনা য়াম্না শিংবা য়ারে। ইশিং শিংদ্রি, চুম্নগী পঙবসু নত্তবা পঙথবা অমা য়াওরি। য়াই থারকপগী পঙথবা অসিনা ঐখোয় মীয়ামসে পুল্লপ ৱামিন্নবা ওইগনি। করি করম্বা য়াই থাগনি হায়বসি রাজনিতি তৌবা ভোট লেপকদবা মীদি খঙলমগনি।

ঐঙোন্দা নুংঙাইতবা অমা হন্দক ফাওই। লমদমসিগী মীপুম খূদিংমক্কী মোবাইল ফোন্দা য়াওরিবসি- মী মঙক কক্লগা হাৎপা, শা-ষণ শেন্বদৌনা মীবু শেন্বা, থাংনা য়ানবা অসিগুম্বা ফোটো অমদি ভিদিও ময়াম অমা মোবাইল ফোন্দা য়াওনরি । মসি য়েংদবা মী য়াওদে, মোবাইলদা হাপ্তবা য়াওদে। মসিবু করিগীনো ? ঐখোয়গী ৱাখল অসিদা, হাৎপা তূপ্পা ময়াম অসিনা লাইশোল ওইনা নোংঙানবগা শোল্লমগদ্রা ? মী হাৎনবগী ৱাখলতা খল্লগা লৈরগদ্রা ? মোবাইল ফোন্দা হাপ্পরিবা ময়াম অসিদা ঐখোয়গী নত্তবা কয়া অমসু য়াওরি। ঐখোয়গী নত্তবা হাৎন-শুনবগী ফোটো ভিডিওশিং অদু ঐখোয়গী মীনি হায়না লৌরগা ৱাখলদা নুংঙাইতবা,শাওনিংবা পোকহল্লি। খঙজদবা কনা অমদি ঐখোয়বু অসুক তমথিনা তৌব্রা হায়না লৌনবসু য়াওরি।

ঐহাক্তি ৱাখল অমবু খল্লক্লে, হিংসা, ক্রাইমসি লোইদনবা কনাগুম্বনা, অসিগুম্বা মীহাৎ মীপুনগী ফোটো, ভিডিও ময়াম অসি থৌওইনা থিরগা থাগৎপা, খোমজিল্লগা মীডিয়াদা শন্দোকপা মী লৈরব্রা ? ইন্টরনেট থিংলিবসি মসিগুম্বা ময়াম অসিদগীনি হায়বসি ঐখোয় নীংশিংহন্নীংঙি। হৌজিক ইন্টরনেট হাংদ্রি অদু ওইরগসু অহাংবা, অফংবা মফমদগী হেক্তা থাগৎনরকপনা মীপূম খূদিং ক্রাইমগী ইমেজশিং,ভিডিও ফুটেজশিং ফংনৈ। ঐখোয় লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংদি ফত্তবা মীগী মতৌ তমলোইসি। অসিগুম্বা ক্রাইমগী ইমেজ ফোটো অসি নল্লগা থাগৎনদে। থোক্লিবা ঈরাং অসিদা, কনাগুম্বা অমত্তা মশানা খঙনা মোবাইল কেমেরা নম্নখিদে । মসি লৈবাক মচা তাবগীনি। শা অচৌবা হাৎলগা চাদুনতা লৈবা মীদি, মীবু শা ঙা হাৎপগুম হাৎপদা নাচুংলোই,ঙমগনি। লান্দা হাৎনবনা মখল অমনি। লানফমদা হাৎনবদি হাৎনসনু। য়েন্দেম থরাক শোইবগুম শোইবা ঙম্বা, মৈতৈগী লান্মী অথৌবশিংনি হায়নরকখিবনি। মীচমদা খূৎ থাবদি মৈতৈগী কন থৌবগী ৱারীদা য়াওখিদ্রি। মরাল ফনা লৈবা ওইরগসু লাল্লি হায়না মশানা হায়জরগদি য়েক্লবা ওইরগসু অদুম হেক্তা কোকথোকপীবগী চৎনবীসু লৈরমখি।

কংলা মনুংদা অসাম রাইফলস লৈরিঙৈদা সিফাইশিংনা কংলা মনুংদা কালিমাই লাৎশিনখি। দুর্গা পুজাদা সিফাইনা কালিমাই মমাংদা ইরোই বলি ককপা,অঙাং ওইরিঙৈদা য়েংবা চৎখি। অসাম রাইফলসনা কংলা মনুংদা লৈরিঙৈদা চহী খুদিংগী কালিমাই লাইশঙ মমাংদা ইরোই অহিংবা মঙক কক্লগা হাৎলি। ময়াম য়েংহল্লি । অমুকখক য়েংলুবদা কিবনা ঐ কন্নাক নীকখি, খুবাক ময়াইদা হুম্মাংনা পুমচোৎ চোৎখি। হৌজিক্তা নীংশিংলকপনি। মতৌ অদুগুম্না তোইনা লাইগী মিংদা চৎনবীনি হায়দুনা শা অচৌবা হাৎপা মীশিংগী মফমদদি মখোয় মশাদা করিসু তৌরমদবা য়াই। শা অচৌবা হাৎলগা তোয়না চাবা মীশিংগী মফমদদি মী অমা হাৎপা লায়না ঙম্বসু য়াই। মীচম ঐখোয়গুম্বদি মদু উরুবদা হকচাং শোম্থে। ওই থংবা থবাকসি নারকখি। পঞ্জরিবসি কনাগুম্বা কাংলুপ অমত্তগী চৎনবী নাৎকা মরি লৈননা পাংথোকপা থৌরমবু করেম্নবা নোক্লবা নৎচদে। ঐখোয়গী চৎনবীদসু মতম অমদা মেরা ষনতুবা থৌরম পাংথোক্ল রকখি। শা অচৌবা হাৎলগা চামিন্নবগী চৎনবী লৈরম্মী । শারেন চনবা হায়রিবসি শা হাৎপনি। ময়াম চামিন্নবনি। ঙসি চৎনবী অসি লৈত্রবনিনা থম্মোয় শোনবা মী ওইরুবদগী অদুক পঞ্জবনি। থম্মোয় শোনবা মী ওইরগসু শাওরকপা মতমদদি ঐসু হাৎলগে হায়বা ৱাহৈসি ঙাক্তনি চিন্দগী ঙাঙথোকখ্রিবসি। ঐগা নক্লা তিন্নজবা ইমান্নবা খরদি ঐগী চিন্দগী ঙাঙথোকখিবা অশাওবগী ৱাহৈসি তোয়না তাবা য়াওরবনি। তামন্দুনা ফাগী তৌই, হাৎতি সুকহাৎ হাৎতে। চীন্দা হায়বগী ৱানি ঙমদি ঙম্মোই। ঐগীদমক্তা ৱাবীদুনা শাওরনু ফত্তে হায়বীবা মীসু য়াওখি। মখোয়নসু খঙবী, শাওনিংবগী পংঙাঙ ঙাঙবনি। ঙমদবগী জাৎতি উচেক মচা অমা ফাওবা হাৎলকখিদ্রি। অদুবু হন্দক্কী থোক্লিবা ঈরাং অসিনা ঐবু খাঙফম খঙদবা, শাওনীংবা পোকহনবা, তাইনফম খঙদবা অমা ওইনা ৱাখলসি কোইচৎ চৎহল্লি, লৈতাফম খঙহন্দে। মসিবু ঐ খক্তরা ? শাওনিংলিঙৈ ওইবনিনা করিগুম্বা ইথোক্লকপা মতমদা চিন্দগী ফজবা অথুম্বা ৱাহৈ থোক্লকউ য়াদ্রি । নোক্তবসু কুইরে । নহান্দি রুপ রাগগী ভাইওলিন খোংবা, মিউজিক কম্পোজর ঐজ্জা বোরেন নীংশিংলকই। ঐজ্জা বোরেন্দি ফাগী মচা মচা তৌই । ফাগী তৌবদা পকচৈ, মশাদি করিমত্তা নোক্তে। ঐজ্জানা হায়, “অঙাং অমা লৈরম্মী, স্কুল কুপ্পকপদা মমান্নবগী পেন্সিল কলম হেক হেক খাওদা পুরগা লাকই। মচানা মীগী মপোৎ পুরকপা থেংনবদা মপানা ঙাঙই। হয়েংখৈ মীগী মপোৎ পুরক্কনু। মীগী মপোৎ লৌবা য়াদেকো। নহাক্লা পেন্সিল কলম পাল্লগা ইপানা ওফিসতগী লেম্না পুরক্কনি।” মসিগীসি অচুম্বা ফাগীনি। কোন্না সুম নোক্লিংলকই।

কুইনা উন্নদ্রবা তুংদা, মতম অমা শুম্মাং লীলাগী শক্লাইখিবা অৱাং খুল কৈকোন্দা লৈবা ঙাঙোম চাউবা, মীয়াম্না ‘হাউসফুল’ শুম্মাং লীলাদা মহাদেব শাবা হায়রগা খঙনখিবা তাচাউবগা উন্নখি। তাচাউবসু ফাগী পুবা মীশক্লি। ‘জগৎশিং ডাকু’ হায়বা শুম্মাং লীলাদা মশামক্কী কৌনরিবা অশেংবা মিং ‘চাউবা’ হায়না অদুম লীলাদসু কৌখি। ‘জগৎশিং ডাকু’ লীলাদা চাউবা উবদা জগৎশিং ডাকুনা চাউববু কোন্নসি হায়খি। চাউবনা -‘থাঙ তা, নোংমৈ সঙ্গু অমা য়েপশিল্লগা কোন্নসি হায়নে..।’ ৱাহৈ খরসি ইচম চম্না মতৌ তমদুনা হায়বদা মীয়াম্না হৌনা নোকখি। লৈখিদ্রবা নহারোল খোঙথাং আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী লীলারোই ধন্নবীরসু ফাগী ফজনা শুম্মাং লীলাদা পুরমখি। করেক্টর শুনবা শাবা ঙম্বা অফবা এক্টরনি। মীবু ইলায় লায়না নোকহনলমখি।

কুকিশিংনা এঙগ্লো কুকি ৱার লৈহন্নবা কন্না হোৎনখি অদুবু লৈরমদ্রে। কৈরাও রাজেনগী ‘ধপতি’ হায়বদু নীংলকখি। এঙগ্লো কুকি ৱার লৈহন্নবা ফনা কন্না কুকিশিংনা হোৎনখিবা জাৎনি। নপশিন্নবা হোৎনবদা নপ্পু য়াদবা মতম হেল্লবা গম, গ্লু য়াম্না লৈ। মতম হেল্লবা পোৎতি লংথোক্লে। মণিপুরদা নপ্পু য়াদবা খরদি লৈরে। কুকিশিংনা হায়জিল্লিবা ময়াম অসি নপ্পু য়াদ্রবা ময়াম অদু ওইগনি। ঐখোয় লৈপাক নীংনিংলিব্রা, নীংগদৌরিব্রা ইথন্তা হংজবা চুম্মী। ময়াম্না হায়নবা অমা তাখি, সেপ্টেম্বর থাসি মহৈ মরোং লোকপা থানি। সেপ্টেম্বর থা ফাওবসি খরা নেমগনি। মতুং তারকপদদি-লান মখা চৎথরকপা য়ারি। থোক্তবা ওইসনু। মীচম মীয়াম য়াম্না ৱানরে। লান মনুংদা লৈবা য়োনবসিমতং থিংবা ঙল্লগদি পূম্নমক্কী অফবা ওইগনি।

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

**ৱারী ককনাউ**

# লাইধিবী

ঐনা পামজবা উসোইগা মঙ্গলগা নং-নং লাওনা থোংবা উতিদুসু ফনা ফজনা তকশিনখ্রে, ইশানগা ইমুন মুন্থরকপনে, নুংথিলদু তৌফম-লাকফম খঙদদুনা মাঙ্গোলদা থারিবা ফক্তুদা ঙাইহাক উরোন-উরোন তৌদুনা তূমথোকখ্রজাৎনি। ঐনা মীকপ থোরকপদদি ইশুনুপীনা মাঙ্গোল মচি অমদা মাগী শান্নপোৎশিংদু পুথোক্তুনা শান্নদুনা লৈরম্মী। মাগী শান্নপোৎশিংদু য়ামখ্রে, প্লাষ্টিক্কী বকেট অমদা হাপ্পনি, অমা মুক পুথোক শান্নৈ, অমা মুক পুথোক শান্নৈ। শান্নবা হায়না শান্নরিদুসু মচিন্দা শান্নপোৎতুগা ৱারী শানরিবনি। পীকখ্রবা মানা ঙাঙবা ৱাদুদা ঐ হৌদি হৌগৎতনা অদুম তূমিন হিপ্পগা মতৌ য়েংদুনা তারি। নোংক্লিংবনসু লোইরে, অদুবু নোক্লুরবদি ইশুনুপীনা ঙাঙলিবা ৱাদু তোকখ্রনি খন্দুনা নোকপা খাংজিল্লগা তূমিন লৈরি।

ইশুনুপীনা মাগী বকেট মচাদুদগী লাইধিবী অমা পুথোরক্লি। অদুগা মুন্না য়েংলি। মানা লুনা তৌজবা লাইধিদুদা অপীকপা মখূৎতুনা লাইধিগী মখজাইদুদা শেৎ শেৎ থারগা ৱা হংলি।

“কৈগীনো নঙনা ৱা অমত্তা ঙাঙদ্রিসে? নমিৎতুনা ইরাও লাওখৈ পাংলে, পিশুমদুনা মুশিন মুখৈ ইকোই কোইনা পাল্লে, অদুগা কৈমতা উদবদৌনা তৌরিসি কৈগীনো? হা?”

ঙসাইখৈ মানা শান্নরম্বা খূৎশান্না অদুগী মুদ অদু খঙহোং হোংখ্রে। ঐসু হান্নদগী চেকশিন্না তারি, য়েংলি।

“লাইধি নঙ য়াম নুংশিদে। ঐনা নঙবু নুংশিদুনা ঈশিং পীথকই, চাক পীজৈ, নঙনা হেক পাম্বা খুদিং লোইনা তৌবী। অদুবু নঙদি নমিৎ পাল্লসু উদে, ননা পাল্লসু তাদে, নচিন পাল্লসু ৱা অমত্তা ঙাঙদে। নঙদি নুংশিবা খঙদে। ঐনা নঙগীদমক অসুক ৱানা হোৎনরিবা খুদিংসে নঙদি কৈসু হায়দে। লাইধি নঙ নরেন্দ্র মোদি খঙব্রা? প্রাইম মিনিষ্টরনি হায়বদো? নঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি হায়দুগা চপ মান্নরে হায়না ঐখোয় দদানা হায়রিসি চুম্ব্রা? কৈগীনো নঙনা ৱা অমত্তা হায়দ্রিসে? নচিন পাল্লিসি কৈ কান্নরি? নমিৎ-ননা পাল্লিসি করি কান্নরি?’ পীকখ্রবী ঐগী ইশুনুপীদুনা অদু হায়রগা মাগী লাইধিদু থোক লাওনা লংথোকখি। ঐ পূমঙক ঙকখ্রে। ঐসু হিপ্পল্বদগী হৌগৎলে অদুগা হংলুই,

“শুশুবী, করিগীনো লাইধিদুবু অদুম্না লংথোক্লিদুবো, হোরেন অহিং মানা কপ্পোইদ্রো?”

“পুপু কপনীং কপসনু। মসি মবুক য়াম ফত্তে। নরেন্দ্র মোদিদৌনা ৱাগা অমত্তা ঙাঙদে, নুংশিদে”

“এ, লাইধিনবু ৱা ঙাঙবা হৌনবরো?”

“অদুদি পুপু, মোদি হায়দুসু লাইধিগা মান্নরি নৎত্রা?”

“মান্নদেদা”

“মান্নৈ, মান্নৈ হায়”

“কনানা হায়রিবা?”

“ঐখোয় দাচৌনা হায়না”

“দাচৌনা করি হায়রিবা?”

“মোদি হায়দু লাইধিগা চপ মান্নৈ, ৱাশু ঙাঙদে, মনাসু পঙই, মমিৎসু পাংনা পাংনা উদে হায়না”

“ইহ! কৈগীনো নঙগী দাচৌনা অদুম্না হায়দুবো?”

“মণিপুরদা মৈ চাক্লসু ৱা অমত্তা হায়দে হায়সিদি” ঐ মখা তাবা ঙমদ্রে। তূমিন লৈরে। খল্লি, অপীকপা অঙাংশিংফাওবা লোইনা কৈনোমা তৌরে। ঐনা মখা তানা হায়রুই,

‘ফরে ফরে, পুপুগী রেদিওদো অমুক্তা পুথোরকউ, ঙাইহাক্তা তাসি”

“ইস! রেদিওদুদি নহান্না থুগাইখ্রদুবো?”

“কৈনোনে হায়সিবো, কনানা থুগাইরিবা?”

“ঐখোয় দাচৌনা মন কি বাট হায়দু তানীংদে হায়না পুপুগী রেদিওদো পুথোক্লগা সরক্তা থুগাইখ্রবনি”

ৱাদু তাবদা ঐ ৱাখলগী ঈপাক্তা ঙাইহাক ঈরাক্লরে। ইখঙ খঙহৌদনা তুংদা হৌরক্কদৌরিবা নহাশিং অসিগী ৱাখলদা মুৎপা নাইররোইদবা মচু অমনা হন্দক শংজিনখ্রেদনা হায়না খল্লি। লোইরেদি হায়হৈদে, লোইরে তৌরিসিদি। লৈবাকসি পুমহোঙ হোংলেদনা। লৈঙাক অসি হৌরক্লিবা অঙাংশিংনফাওবা য়ৌনা য়েক্লবা ওইনা খল্লেদনা। সুম্না তৌরবদি কমাইনা ষ্টেট অসিদা পিছ হায়বদু পুরকপা ঙমগনি। পুমলোই হেক লোইদা। চুম্বগীদি চুম্মী, ৱাজাও ঙাঙবা, ওইদবা ময়াম অমা পরেং লেংদুনা ঈশৌ লাং-লাংদুনা ঙাঙখিবদু মীয়াম্না মচিন কাংবা ঙম্নদ্রবসু য়াম্না তানীংখিদে। তানীংদে হায়না ফুক হৌগৎতুনা চৎপা য়াদবগী ৱানি। মীয়াম্না ইপেন পেন্নখিদবদু হৌজিক্তি মথি লোইনা ফোঙলে।

ইশুনুপীদু ইচাই চাইথোক্তুনা লৈরিবা মাগী শান্নপোৎ ময়াম অদু গ্রোং গ্রোং প্লাষ্টিক বকেটতুদা হাপচিল্লি। অদুগা তাপ লাওনা পায়খৎলগা ঐগী নাক্তা চঙশিল্লকখি।

“পুপু, মোদি হায়দু ঙাওবরা?”

“ঙাওদেদা”

“ঙাওই কৈসু, মানা ঙাওবদগী মৈ য়াম চাক্লিসিদি”

“সিদি মানা নত্তেদা”

“মানি কৈসু, মানা থিংদবগীনি হায়সিদি”

“মীনা পংহায়দা হায়বনি মানা নত্তে”

“পুপু ঐনা হয়েং চাওরগা মোদি হায়দু উনরদি মখৌরি মেৎকনি”

“হায়হৈদে হায়হৈদে, অদুম্না হায়গনুকো, তৌহৈদে”

“পুপু নঙসি য়াম্না কিগনবা মাল্লি। উতি চারুরনু তূম্নিংদনবা, হৌজিক্তি তূম্বা হৌগৎনবা মতম য়ৌরে” হায়রম্মগা ইশুনুপীদু শাওনা ইমুংদা চঙখি।

ঐ ইশুনা চংখিবদু মুন্না য়েংদুনা লৈহৌই। কোকসিদদি মওন মওন খল্লি। হৌরক্কদৌরিবা অঙাংশিং অসিগী ৱাখলদা করিনো অমগী মমি চাউনা তারেদো।

**— নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**